রোহিংয়াগী ৱাথোক

পুৱারী নৈনবশিংনা অরাকানগী ইন্দিয়নশিং (অরাকানিজ ইন্দিয়ন্স) হায়নসু খঙনবা রোহিংয়া (নৎত্রগা রোইংয়া/রোহিংজা/রোইঞ্জা) হায়রিবা মীওই কাঙলুপ অসি ষ্টেট লৈতবা হায়বদি গভর্ণমেন্টনা সিটিজনসিপ পীদবা ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতা লৈবা ইন্দো-অর্য়ানশিংনি। ম্যান্মারদা রোহিংয়া মিলিয়ন অমা খরা হেন্না লৈরম্বদগী কুমজা ২০১৭ কী সেপ্তেম্বর থা ময়ায় চনশিল্লক্কদৌরবা মতমসি ফাওবদা তঙ্খাই অমরোমদি অতৈ লৈবাকশিংদা চেন্নখ্রে। রোহিংয়া অয়াম্বা মুসলিম ওই, তৌইগুম্বসুং হিন্দু খরসু য়াওই। অসুম্না রোহিংয়াশিংগী মরক্তা হিন্দুশিংনা মাইনোরিটি ওই। কুমজা ২০১৩ দা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না তাথি তাওইনা তৌবীবা মাইনোরিটিশিংগী মরক্তা অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা রোহিংয়া মীয়ামদা কুমজা ১৯৮২ গী বর্মিজ সিটিজনসিপ লোগী মখাদা হৌজিক ফাওবা সিটিজনসিপ ফংহন্দনা/পীদনা লাক্লি। লো অসিগী মখাদা কুমজা ১৮২৩ গী মতুংদা ম্যান্মারদা লৈশিনখিবা বৃটিশ ইন্দিয়াদগী লাকপা মাইগ্রন্টশিংদা সিটিজনসিপ মপূং ফানা ফংহন্দে। হ্যুমেন রাইটস ৱাটচকী মতুংইন্না, লো অদুনা রোহিংয়াশিংদা নেস্নেলিটি ফংনবগী খুদোংচাবা পীদে। চহীচা খরগী পুৱারী লৈ হায়না লৌনরবসু বর্মিজ লোনা ইথনিক মাইনোরিটি অসিবু লৈবাক্কী কাঙলুপশিংগী (নেস্নেল রেস) মনুংদা অমা ওইনা শকখঙদে। চৎথোক চৎশিন তৌবা, মহৈ-মশীন তম্বা অমসুং সিভিল সার্ভিসকী থবক চঙবনচিংবা হীরম কয়াদা মখোয়দা অথিংবা থমই। ম্যান্মারগা মরী লৈনবা য়ু এনগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেটর য়াংহী লীগী মতুং ইন্না, ম্যান্মারনা রোহিংয়া মীয়াম পূম্বা লৈবাক অসিদগী তান্থোকপা পামই। অসুম্না হৌজিক ম্যান্মারদা থোক্লিবা রোহিংয়া ৱাথোক্কী মরমদা খঙবদা লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈরিবা রখাইন ষ্টেটকী পুৱারী খঙবা চঙই। অরাকানশিংগী (অরাকানিজ) হৌফম ওইবা ষ্টেট অসি মনীং মখা তম্বা লৈবাক ওইনা চহীচা কয়া তোঙান তোঙানবা নিংথৌশিংনা পানখি। কুমজা ১৭৮৪ দা লৈবাক অসি কোনবোগ দিনাষ্টিনা খুদুম চনখি অমসুং ম্যান্মারগী শরুক অমা ওইরকখি। ষ্টেট অসিগী খা থংবা শরুক বে ওফ বেঙ্গলগা তাইনৈ অমসুং নোংচুপলোম থংবা ঙমখৈনা বাংলাদেশকা তাইনৈ। মীওই কাঙলুপ অসি বাংলাদেশকী চিতাগোংদা মপূং ওইনা লৈরম্বদগী অরাকান্দা (রখাইন ষ্টেট) চঙশিন্নখিবনি হায়না লৌনৈ। ইন্দিয়াদা বৃটিশনা পাল্লিঙৈ মতমদা বাংলাদেশতগী রোহিংয়াশিং ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতা মশীং য়াম্না চেনশিনখি। মখোয় ইন্দিয়াদা অমুক হঞ্জিন্নীংদবগী ফীভম লাকখিবদগী ম্যান্মারদা অদুম লৈশিনখি। মখোয়না ম্যান্মারদা বেজ ওইরগা লৈবাক কয়াদা চৎথোক চৎশিন তৌখি।

তৌইগুম্বসুং ম্যান্মার গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না রোহিংয়াশিংবু মখোয়গী লৈবাক নৎত্রগা কলচরগী শরুক অমা ওইহনবা পামখিদে। মসিগী মরুওইবা মরম অনী পনবা য়াই। অহানবদা রোহিংয়াশিং অসি অয়াম্বনা মুসলিমশিংনি অদুগা ম্যান্মারনা বুধিষ্ট লাইনীং লন্বী চৎপশিংনা মশীং য়ামই (চাদা ৯০ ফাওবা ওইবা য়াই)। অনীশুবদা, বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোকখিবা মতমদা রোহিংয়াশিংনা মখোয়না লৈরিবা ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটপু ইষ্টর্ন পাকিষ্টান্দা (বাংলাদেশতা) পূনশিনবা পামখি। তশেংনমক মখোয়না হীরম অসিগী মতাংদা পাকিষ্টানগী মোহম্মদ জিন্নাহদা ফাওবা হায়জখি। তৌইগুম্বসুং জিন্নাহনা ম্যান্মারগী মনুংগী ওইবা য়েৎনবা নৎত্রগা মুক্নবগী ফীভমদা খূৎ থিংজিনবা পামদবদগী রোহিংয়াশিংনা হায়জবদু মহাক্না য়াখিদে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মখোয় ম্যান্মারগী শরুক অমা ওইরকখিবা রখাইন ষ্টেটতা অদুম লৈবা তাখি। মীওই কাঙলুপ অসিদা ম্যান্মারনা মখা তানা তাথিবা মিৎয়েংনা য়েংখি। মখোয়বু লৈবাক্কী ইথনিক কাঙলুপ অমা ওইনা শকখঙদবা মরম্না ম্যান্মারনা মখোয়দা সিটিজনসিপকী রাইটশিং অমসুং ভোট থাদবগী রাইট ফংহন্দে। কুমজা ১০১২ দা বর্মিজ (ইথনিক রখাইন বুধিষ্টশিং) অমসুং রোহিংয়া মুসলিমশিংগী মরক্তা কাঙলুপকী ঈরাং থোকখি। ঈরাং অদুদা নাকল অনীমক্কী মরক্তা অমনা অমগী য়ূম কৈশিং মৈ থানখি। ঈরাং অদুদা শিখিবা মীওই ১০০ রোমগী মনুংদা ৬০ রোম্না রোহিংয়া মুসলিমশিং ওইখি অমসুং অতৈনা রখাইন বুধিষ্টশিং অমসুং অতোপ্পা কাঙলুপশিংগী ওইখি।

অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইদুনা রোহিংয়াশিংদা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টবু হঙ্গোই তুকচ্চবগী ৱাখল পোক্লকখি অমসুং মখোয়গী মরক্তা খূৎলায় পায়বা (য়োৎ, থাঙ, তেন ওইরবসু) লালহৌবা গ্রুপ খরা থোক্লকখি। গ্রুপশিংদুগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবদি অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মি (এ আর এস এ) হায়রিবা অসিনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী ওক্টোবরদা মুসলিম লালহৌবশিংনা নিংথিনা শিন্নদুনা বোর্দর পোষ্টশিংদা এটেক তৌদুনা নুপী পার্সনেল খরা হাৎখিবদগী ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা পুলিস অমসুং আর্মি শীজিন্নদুনা রোহিংয়া লালহৌবশিং তকথোকপগী কেম্পেইন অমা অকনবা মওংদা চত্থরকখি। মদুদা মীশি মীনা কয়া য়াওবগা লোয়ননা রোহিংয়া লিশীং কয়া বাংলাদেশতা চেনখি।

হন্দক্তসু ইকুই কুইদনা, হৌখিবা ওগষ্ট ২৫দা এ আর এস এনা বোর্দরদা লৈবা পুলিস পোষ্ট ৩০মুক্তা এটেক তৌবদা সিক্যুরিটি পার্সনেল অমসুং লালহৌবশিং য়াওনা মীওই ৭১ শিখি। এটেক অদুনা মরম ওইদুনা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা রোহিংয়াশিং মরুওইনা লালহৌবশিং তকথোকপগী অকনবা লাঞ্জং অমা চঙশিনখি। লালহৌবশিং তকথোকপগী মিলিটরি কেম্পেইন অদুদা হৌজিক ফাওবদা হায়বদি চয়োল অনী খরা হেনবগী মনুংদা রোহিংয়া মুসলিম ২,৫০,০০০ হেন্না রখাইন ষ্টেটতগী বাংলাদেশতা চেনশিনখ্রে। ঈরাং অদুনা হৌজিক অচৌবা রিফ্যুজিগী ৱাথোক অমা থোকহল্লে হায়বা য়াই।

মালেমগী অঙকপশিং

ইজিপ্টতা লৈবা অবু সিম্বেল



নুবিয়া কৌবা খা থংবা ইজিপ্টকী সুদানগা লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা অপীকপা খুঙ্গং অমদা অবু সিম্বেল লৈ। মফমদুদা লৈবা অচৌবা নুঙগী লাইশঙ অনীবু অবু সিম্বেল টেম্পল হায়না খঙনৈ। নাসির পাৎকী নোংচুপ থংবা তোৰ্বান্দা, অস্বানগীনা খা নোংচুপ্তা কিলোমিটর ২৩০ রোম লাপ্না লৈবা লাইশঙগী কমপ্লেক্স অসিবু "নুবিয়ন মোন্যুমেন্ট" হায়নসু খঙনৈ।

য়ুনেস্কোগী ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইটতা চনখ্রবা মফম অসিনা অবু সিম্বেলদগী হৌরগা অস্বান মনাক্কী ফিলে ফাওবা কোনশিল্লি। খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ মমাঙগী ১৩ শুবা চহীচাদা ফারাও রামেসেস টুনা লৈঙাক থৌদাং পুরিঙৈদা কাদেশকী লানফম ময়া পাকখিবগী নীংশিং খুদম ওইনা লাইশঙ অসি শাখিবনি। খম্বাংননা লৈবা লাইশঙ অনী অসি চীংমায়দা হকচিল্লগা শাবনি।

অদুম ওইনমক কমপ্লেক্স অসি কুমজা ১৯৬৮ দা অস্বান দাম রিজর্ভর মথক্তা খুৎশেমগী চীং অমগী মথক্তা থেংনরকখি। খৃষ্টনা পোক্কদবা চহী ১২৬৪ ৱাৎলিঙৈদা রামেসেসনা য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংগী মমাঙদা মখুৎ-মশা হৈরে হায়বা উৎনবগীদমক চীংমায়দা হক্তুনা লাইশঙ শাখি। নিংথৌ রামেসেসকী মতমদা নুবিয়াদা শাখিবা রোক টেম্পল তরুক্কী মনুংদা অবু সিম্বেলসু অমনি।

মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না কুইনা শীজিন্নরুদ্রবা লাইশঙ অসি লৈঙোইনা কূপশিল্লুরে। কুমজা ১৮১৩ ফাওবদি মফমসিদা লাইশঙ লৈরম্মী হায়বফাওবা কাউথোক্লরুরে। কোন্না অমুক স্বিস মচা জোন-লুই বর্কহার্দনা লৈঙোই মরক্তা লাইশঙগী মথক থংবা শরুক অদু থেংনখি। অদুবু তৌথোকপদি ঙমখিদে। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ইটলি মচা জিওভানি বেলজোনিগা তান্নবা য়াবা তান্নরবসু থোইনা কান্নবা ফংখিদে।

অস্বান দাম শাখিবদগী নাইল তুরেলগী ইমায় ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরদুনা মতম চুপ্পগী ওইনা লূপখিগদৌরবা মোন্যুমেন্ট অসিবু কন্নবা থৌরাং অমা কুমজা ১৯৫৯ দগী হৌনা মালেমগী থাক্তা পায়খৎপা হৌখি। থৌরাং অদু মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা কুমজা ১৯৬৪ দগী হৌনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা আর্কিওলোজিষ্ট, এঞ্জিনিয়র অমদি মখুৎ-মশা হৈবশিংগী টিম অমনা অবু সিম্বেল কন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। য়ুনেস্কোগী মীৎয়েং মখাদা দোলর মিলিয়ন ৪০ চঙনা পায়খৎখিবা থৌরাং অদুগী শরুক অমা ওইনা টেম্পলগী কমপ্লেক্স অদু লৈনুংদগী পুল্লপ কোৎথোক্লগা মিটর ৬৪ ৱাংবা মফমদা নৌনা অমুক খিনখি।

অরিবা মতমগী খঙ-হৈরবা ঈজিপসিয়ন আর্কিটেকশিংনা নীংথিনা থৌরাং তৌরগা শাখিবা মফম ওইবনা ওক্তোবর ২১ অমসুং ফেব্রুৱারি ২১ দা নুমিৎকী মঙালনা লাইশঙ মনুংদা ফাওজিল্লক্লগা মিত্তমশিং পুমঙান ঙান্না উহল্লি। মরম অদুনা চহী খুদিংগী ওক্তোবর ২১ অমসুং ফেব্রুৱারি ২১ দা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই কয়ানা নীংথিরবা মহৌশাগী মওং-মতৌ অদু য়েংবা লাকই।

অবু সিম্বেলগী মরমদা মরু ওইবা ৱাফম খরা :

- খা থংবা ঈজিপ্টতা চহী কয়া চঙনা শাখিবা অবু সিম্বেলবু মালেমগী অঙকপা অমা ওইনা লৌনরি।
- মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না লাইশঙ অমদি বিল্ডিং কয়া লৈরোলনুংদা চঙখ্রবসু অবু সিম্বেলদি চহী ২০০ রোমগী মমাঙদা ফীভম কায়দনা থেংনখ্রে।
- থাইনা মমাংঙৈদা থোকখিবা য়ুহার হাবগী থৌদোক্তা লাইশঙ মনুংদা খিনবা মিত্তম খরদি অমাঙ-অতা থোকখি।
- অবু সিম্বেলগী হেক চঙফমদগীনা অরোইবা কা ফাওবা ফাওনফম লম্বেল অমা লৈ। মতম অমদা নিংথৌরেল অমদি অৱাংবা থাক্কী ফমথোল পায়বা মীওই খক্তমক চঙবা য়ারম্বা মফম অসি ঙসিদি মীপুম খুদিংমক লোইনা চঙবা য়ারে।
- য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারি অমসুং ওক্তোবর থাদা নুমিৎকী মঙাল ফাওজিল্লক্তুনা লাইশঙ মনুংদা খিনবা মিত্তমশিং পুমঙান ঙালহল্লি।

Title : FLOWER ([illegible])



Honey Laishram
Class:IV: , Sec.A Roll: 8
Regular English High School
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])



Laishram Bidyananda Singh
Class : I, Sec.: Roll:7
St. Thomas High School
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])



Alok Wahengbam
Class :II, Sec. :, Roll:49
St. Thomas High School
[illegible]

Title : HOME ([illegible])



L. Nivena Devi
Class : I, Sec.B: Roll: 87
North Eastern English School
[illegible]

Title : MICKY MOUSE ([illegible])



Laishram Seityajit
Class : V , Sec.B:, Roll:105
North Eastern English School
[illegible]

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

হেলমেটনা ৱাখল কন্ত্রোল তৌবা

হৌখিবা চহীশিংদা হেলমেটনা য়ু এস মিলিটরিদা অচৌবা ঙাক্লৌ অমা ওইদুনা লাকখি। মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওদা "দোবোই" নৎত্রগা "দিশপেন" হায়নসু খঙনবা এম ১৯১৭/এম ১৯১৭ এ ১ হেলমেটশিং উপ্পদগী অমেরিকন লান্মী কয়াগী থৱায় কন্নবা ঙমখি। কুমজা ১৯৪১ দগী হৌরগা য়ু এস লান্মীনা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও, কোরিয়ন ৱার অমদি ভিএটনাম ৱারনচিংবদা "এম-১ ষ্টীল পোট" ওইনা শীজিন্নরে। কুমজা ১৯৮০ দগীদি য়ু এস মিলিটরিগী হেলমেটশিং বোলিষ্টিক ফাইবর মরোল-মরোল লোন্নরগা শাবা হৌরে।

মতুং তারকপদা হৌজিক চুম্না কোক্কী শরুকপু নোংমৈ মরু অমদি বোম মচেৎশিংদগী ঙাকথোকপখক নত্তনা অহেনবা মথৌ খরা হাপচিনগদৌরি। য়ু এস দিফেন্স এদভান্স রিছার্স প্রোজেক্টস এজেন্সিগী শেনথং মখাদা এরিজোনা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্সর অমনা শেমগৎপা হোৎনরিবা হেলমেট অসিনা লান্মীশিংগী ৱাখল খনবগী মওং হোংদোক-হোংজিন তৌবা য়াগদৌরি। মসিদসু নত্তনা হেলমেট অসিগী মতেংনা অশোক অপন য়াওরকপা লান্মীশিংগী চৈনাখোল হন্থহনবসু য়াগদৌরি। কা হেন্না ফীভম থিনা শোক্লবা লান্মীশিংদা হীদাক-লাংথক অমত্তা থাবা হৌদ্রিঙৈদা মখোয় মখোয়গী ৱাখল খনবগী মওং হোংদোকহন্দুনা চৈনাখোল হন্থহনগদৌরিবনি।

Title : CHRISTMAS ([illegible])



Pritina Chanu
Class : KG, Sec. A , Roll: 5
Brighter Academy, Khumbong
[illegible]

Title : DRAGON ([illegible])



Ruhidash
Class : III, Sec.A , Roll: 2
North Eastern English School
[illegible]

Title : PLANTING ([illegible])



Tayenjam Rooney
Class : II, Sec.G , Roll: 10
Standard Robarth School
[illegible]

Title : A LOTUS ([illegible])



Sevril Elangbam
Class : III, Sec. : , Roll: 49
Heritage Convent
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])



Thounaojam Somendro
Class : III, Sec. : A, Roll: 21
Kids Foundation
[illegible]

Title : RAJ-LILA ([illegible])



Lessia
Class : IV, Sec. :A , Roll: 12
Kids Foundation
[illegible]

Title : A GIRL ([illegible])



Twinkle Mutum
Class : Nursery, Sec.B, Roll: 15
Sacred Heart
[illegible]

Title : A PARROT ([illegible])



Soubam Thoungamba
Class : KG, Sec. : , Roll: 07
Kids Foundation
[illegible]

Title : A TREE ([illegible])



Mutum Sini Chanu
Class : Nursery, Sec. B, Roll: 3
Keirao Primary School
[illegible]

Title : SNOW WHITE ([illegible])



Mutum Naotombi Devi
Class : IV, Sec. : , Roll: 39
Irilbung High School
[illegible]

[illegible]



[illegible]

Title : A DOG ([illegible])



Mutum Lanchenbi
Class : VI, Sec. B , Roll: 57
Sacred Heart Hr. Sec. School
[illegible]

Title : A DUCK ([illegible])



Mutum Bijaya Devi
Class : III, Sec. : , Roll: 43
Brighter Academy
[illegible]

Title : DORAMON& SHIZUKA

([illegible])



Kh. Mahesh
Class :III, Sec., Roll: 12
K.V Leimakhong
[illegible]

[illegible]



[illegible]



মেথি চিকন করম্না থোংগদগে

চঙগদবা পোৎচঙ :

- অশেম্বা য়েনশা কিলোগ্রাম অমা
- অচাথাউ চামচ মরি
- তিলহৌ অচৌবা অনী (পানা শোইরবা)
- চনম অশুবা চমচ অনী
- খামেন অশিনবা অনী
- শিং অশুবা চামচ অমা
- ফদিগোম মরু মকুপ চামচ অনী
- জীরা মকুপ চামচ অমা
- য়াইঙং মকুপ চামচ তংকায়
- মোরোক অকংবা মকুপ চামচ তংখায়
- গরম মসালা চামচ অনী
- থুম খরা
- মেথি মনা গ্রাম ৫০০

থোং থাকপগী মওং :

মৈথক্তা খাং থাংগৎতুনা অচাথাউ হৈরো। তিলহৌ হাপচিন্দুনা মচু ওল্লক্ত্রিফাওবা ঙৌরো। খাবৈনা তিলহৌ অদু লৌখৎলগা তকখায়দুনা পেষ্ট শেল্লো। মথংদা খামেন অশিনবা, শিং অমদি চনম পুন্না তকখায়দুনা পেষ্ট শেল্লগা তোখায়না থমখ্রো। ঙসাই তিলহৌ ঙৌখিবগী খাংদা লেমহৌবা থাউ অদুদা তিলহৌগী পেষ্ট হাপচিন্দুনা অমুক হন্না ঙৌরো অমসুং খামেন অশিনবা, শিং অমদি চনমগী পেষ্ট অদু গরম মসালাগা লোয়ননা হাপচিল্লো। মথংদা শেমদোক্লবা য়েনশা অমদি থুম হাপচিল্লগা ওৎলো। য়েনশা অদুনা খরা খরা মুল্লক্লবা কান্দা মেথি মনা হাপচিল্লো । অদুদগী ঈশিং অশাবা কপ তংখায় অমা হৈজিল্লগা ওৎলবা মতুংদা মখুম খুমজিল্লগা থমখ্রো। কংশিনখিদনবা মরক-মরক্তা চেক তৌগদবনি। মহী কংশিল্লক্তুনা য়েনশা মুল্লবা কান্দা থাংথরগা ফোঙ-ফোঙ শানা অদুমক চাবা য়ারে।

[illegible]